# এক্স-মিনিষ্টর চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা শিরম্লে

বাগপট, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশ এসেমব্লি মীখলদা বাঘপট দিষ্ট্রিক্টকী ছপ্রৌলি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী টিকেটতা কন্টেষ্ট তৌখিবা হান্নগী মিনিষ্টর অতমারাম তোমার ইরাই নুমিৎতা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা ময়ূমদা শিরম্লে।

মহাক্কী মঙকশমদা টাৱেল অমা য়েৎলমখি অমসুং মহাক্কী কার অমসুং ফোন থিবা ফংখিদে। য়ু পিগী হান্নগী মিনিষ্টর অসি বিজ্রউল ভিলেজদগী হৌরকখিবনি। মহাক সিটিগী বিজ্রউল রোদতা লৈবা য়ূমদা লৈরকপনি। সিনিয়র পুলিস ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে। ফোরেন্সিক টিম অমসুং দোগ স্কৱাদ কৌশিনখি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, হান্নগী মিনিষ্টর অদু মখৌরি মেৎলগা হাৎখিবা মাল্লি। ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা তোমারগী দ্রাইভর ভিজয় মহাক্কী য়ূমদা লাকখি অমসুং দোরবেল রিং তৌখি। মদুদা রেস্পোন্স ফংখিদে।

# মীখলগা মরী লৈননা মীওই অমা হাৎখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

পঞ্চায়ত মীখলদা বিহারদা পোলিটিকেল মীহাৎশিং লেপ্পুনা চথরি। ষ্টেট অসিগী ভাইসালি দিষ্ট্রিক্টতা পোলিটিকেল পার্টি অমা শৌগৎপা মীওই অমসুং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অদু অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী নোমিনেসন ফাইলিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মরী-মতাশিংনা মীহাৎ অদুগা ভিলেজ হেদ (মুখিয়া)গী কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা অমা চেন্নে হায়না মরাল শীখি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুদা মনাওনুপা অনুতোশ রাজনা হায়খি মদুদি মহাক্কী ময়াম্বা ঘতরো সাওথ পঞ্চায়তকী কেন্দিদেট অমগী কেম্পেন তৌখি। লৈখিদ্রবা অসুতোশ খুঙ্গাশিংদা ঈথিল পীবা ঙম্বা মীশক অমা ওইবনা লম্বা ওইগদৌরিবা কেন্দিদেট অদুনা নুংঙাইখিদে। মহাক্না ময়াম্বদা কিহন্দুনা কেম্পেন অদুদা য়াওদনবা নৎত্রগনা মহাক্কা লোয়ননা কেম্পেন তৌনবা হায়রকখিবদা ময়াম্বনা য়াখিদবনি।

# ভাবানিপুরদা বি জে পিগী প্রিয়াঙ্কা তিব্রেৱালনা সী এম মমতা বেনর্জিগা লম্বা তৌনরগনি

কোলকটা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিগী সেপ্টেম্বর ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ভাবানিপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই-ইলেক্সনদা বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা লম্বা তৌননবগীদমক কোলকটা সিটিগী উকিল প্রিয়াঙ্কা তিব্রেৱাল থাদোক্লি।

তিব্রেৱাল অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল মতুংগী ইরাংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী উকিল অমনি। বি জে পিনা ইরাই নুমিৎতা বাই-ইলেক্সনশিংগী কেন্দিদেট অহুম লাউথোকখ্রে। মিলান ঘোশনা সেফ্রোন পার্টি অসিগী টিকেটতা সমসেরগঞ্জ সিটতা কন্টেষ্ট তৌরগনি অমসুং সুজিটনা জঙ্গিরপুর সিটতা কন্টেষ্ট তৌগনি।

প্রিয়াঙ্কা তিব্রেৱাল দেল্লী য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা গ্রেজুএট লোইশিনখি অমসুং কোলকটা য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লো তমখি। মহাক কোলকটা হায় কোর্ট অমসুং সুপ্রিম কোর্টতা প্রেক্টিস তৌই। মহাক এস্যুম্পসন য়ুনিভর্সিটি, থাইলেন্দগী মাষ্টর ওফ বিজনেস এদমিনিষ্ট্রেসন দিগ্রীসু পাই। তিব্রেৱালনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চথুবা মীওৎ-মীনৈগী ভিক্টিমশিংগী কেস কয়া পাই। মহাক্কী কেসশিংদুদা রানিগঞ্জ রাইওট কেস নৎত্রগা পুরুলিয়া মীহাৎকী কেস য়াওই। পার্টি ৱর্করশিংনা হায়রি মদুদি মহাক্না মতম পূম্বদা জষ্টিস অমসুং লিবর্টিগীদমক লেপ্পুনা লাকই।

উকিল তিব্রেৱালনা বি জে পিদা তোঙান তোঙানবা মরু ওইবা রোলশিং লৌদুনা লাকখি। মহাক পার্টি অসিগী ওফিস বিয়রর অমসু ওইরকখি।

হন্দক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল মতুংদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। অভিজিট সরকার মীহাৎকী মতাংদা জষ্টিস ফংহন্নবা মহাক্না মরী লৈনবা কেসশিং কলকটা হায় কোর্টতা পুখৎখি।

তিব্রেৱালনা মীখল মতুংগী ভাইওলেসকা মরী লৈনবা কেসশিংগী মতাংদা কোর্টকী ওর্দর লৌদুনা সী বি আইবু ইনভেষ্টিগেসন চথবা য়াহনখি। লোয়ননা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) শেমহন্দুনা ভাইওলেন্সকী কেস কয়া থীজিলহনখি।

নন্দিগ্রামদা থোকখিবগুম মমতা বেনর্জি ভাবানিপুরদসু মায়থিবা নংলগনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বি জে পি চীফ দিলিপ ঘোশনা ক্লেম তৌখ্রে। মহাক্না হায়, ঐখোয়না অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা বাই-ইলেক্সনশিং থেংনগনি। এসেমব্লি সিট অহুম্মক্তা ঐখোয়না মায় পাক্কনি। বাই-ইলেক্সনশিং অসিগী ভোট মশিং থীবগী থবক ওক্টোবর ৩দা পাঙথোক্কনি।

# কর্নাল বার এসোসিএসনना লৌমীশিংগী খোঙজং শৌগৎখ্রে

কর্নাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

হরয়ানাগী কর্নালদা লৈবা মিনি-সেক্রেটরিএটতা লৌমীশিংনা চথরকখিবা খোঙজং নুমিৎ মরিনি শুজিনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎতা কর্নাল বার এসোসিএসননা খোঙজং অদুবু শৌগৎখ্রে।

খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী দিমান্দ শৌগৎলদুনা এসোসিএসন অসিনসু ওফিসর অয়ুশ সিনহা খূদক্তা মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

কর্নাল বার এসোসিএসনগী মেম্বর পরমজীট সিংহনা হায়, কনামত্তা লোগী মথক্তা লৈতে। অয়ুশ সিনহানা মহাক্কী পৱার লান্না শীজিন্নখি। মহাকপু খূদক্তা মফম লৌথোক্লবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি। লৌমীশিংগী প্রোটেষ্ট অসিবু থম্মোয় শেংনা শৌগৎনবা ঐখোয় মফম অসিদা লাকপনি।

এদভোকেট সুরজিট মাধানানা হায়, ঐখোয়না লৌমীশিংগী খোঙজং অসিবু মপূং ফানা শৌগৎলি। হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দা টোল লাজাদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টতা ঐখোয়গী মেম্বর অনী পুলিসনা মীনুংশি লৈতনা ফূখি। পুলিসকী কা-হেনবা এক্সন অসিবু য়ানীংদবা উৎতুনা কর্নাল বার এসোসিএসননা কোর্টকী থবক নুমিৎ নীনি সস্পেন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌরে। গভর্ণমেন্টনা ৱাথোক ওইরবা ওফিসর অদু খূদক্তা মফম লৌথোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌগদবনি। সুরজিটনা কর্নাল বার এসোসিএসনগী এক্স-জেনরেল সেক্রেটরিনি।

এদভোকেট রনভীর সিংহ মালিকনা হায়, লৌমীশিংগা গভর্ণমেন্টকা মুক্নরিবা অসিনা কান্নবা অমত্তা পুরক্লোই। দেমোক্রেটিক লৈবাক অমদা ৱারী শানবা অসিনা ইস্যুশিংগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা গভর্ণমেন্টনা অসুক য়াম্না ঙাঙবা য়াদবসি চুমদে। ঐখোয়গী লৌমীশিংনা চহী অমা চুপ্পা মখোয়গী দিমান্দশিং তান্দুনা ঈংনা-চিক্না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। অহেনবা খোঙথাং অমা থাংজিন্দুনা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগা ৱারী শানগদবনি অমসুং মখোয়গী দিমান্দশিং খন্নগদবনি।

চৈরকসিদা লোকল এদমিনিষ্ট্রেসন্না কর্নালদা মহৌশাগুম্না ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা অমুক হন্না ফংহনবা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক প্রোটেষ্ট মফম অদুদা জর্নেল সিংহ কৌবা লৌমী অমনা হায়, ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা অমুক হন্না ফংহনবা অসিনা মতিক চাবা খোঙথাংনি হায়না লৌবা য়ারোই। ঐখোয়গী অশেংবা দিমান্দদি অয়ুশ সিনহাবু মফম লৌথোকপা অমসুং লৈখিদ্রবা লৌমীগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন পীবা অসিনি।

# সোফ্‌টৱেয়র-বেজ ট্রান্সফর পোলিসি অথুবা মতমদা চৎনরগনি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস মনুংদা হার্দ অমসুং সোফ পোষ্টিংশিংগী মরক্তা ট্রান্সফর তৌবদা ট্রান্সপরেন্সি লৈহন্নবগী পান্দমদা সী এল পি ঈগী পর্সনল পূম্নমক্কী ওইনা অথুবা মতমদা সোফ্টৱেয়র-বেজ ট্রান্সফর পোলিসি অমা ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি।

হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারীদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ইন্সট্রক্সন পীখিবা মতুংদা সোফৱেয়র অসি দিজাইন তৌবনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কুমজা ২০২০দা অথিংবা কয়া লৈখিবদগী এপ্লিকেসন অসিগী দিভলপমেন্ট থিন্থখি।

সী এ পি এফকী সিনিয়র ওফিসল অমগী মতুং ইন্না, সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ), সাশাস্ত্রা সীমা বাল (এস এস বি) অমসুং হিমালয়ান বোর্দর ঙাক-শেল্লিবা ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) সোফৱেয়র অসিগা লোয়ননা শেম-শারি। সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ), বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) অমসুং অসাম রাইফলসকী ওইনা এপ্লিকেসন দিভলপমেন্টকী থবক খুমাঙ চাওশিল্লে।

সিনিয়র ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়, ফোর্স খূদিংমক্কী ট্রান্সফর পোলিসি অমগা অমগা খেন্নে। মরম অদুনা সী এ পি এফ খূদিংমক্তা মখোয় মখোয়গী ওইবা এপ্লিকেসনশিং দিভলপ তৌননবা হায়খি।

বি এস এফনা অরোইবা তাঙ্কক্কী সোফৱেয়র টেষ্টিং চথরি। সী আর পি এফ অমসুং অসাম রাইফলসসু থুনা সোফৱেয়র টেষ্ট তৌরগনি। সোফ্টৱেয়র এপ্লিকেসন পূম্নমক শেম শাবা লোইবগা মখোয়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা প্রজেন্টেসন অমা পীদুনা ফাইনেল এপ্রুভেল লৌগনি।

# পুলিসকী কা-হেনবা থৌওংগী মায়োক্তা থাবা ৱাকৎ হায় কোর্টনা লৌশিনখ্রে

কোলকটা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

প্রাইমারি ওজাশিংবু ইলিগেল ওইবা মওংদা ট্রান্সফর তৌবগী মায়োক্তা থেংনদুনা লাকপা সিক্ষক ওইক্যা মঞ্চ (টিচর্স য়ুনিটি ফোরম) গী লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মোইদুল ইস্লাম কৌবা ওজা অমনা পুলিসকী কা-হেনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা কলকটা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

ইস্লামনা হায়, শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা নোর্থ কোলকটাগী বেলিয়াখোতাদা লৈবা মহাক্কী য়ুম মমাঙদা পুলিস য়াম্না তিনখি। থৌদোক অদু জষ্টিস রাজাসেখর মন্থাদা খঙহনখি অমসুং খূদক্তা জজনা ওঝা অসিদা কেস অমা ফাইল তৌনবা হায়বগা লোয়ননা য়ারবদি কেস অদু ইরাই নুমিৎ অসিখক্তদা হীয়ারিং তৌবা য়াই হায়খি। থৌদোক অদুনা পুলিস অমসুং মমতা বেনর্জি গভর্ণমেন্টপু ইকায়বা নংহনখি।

অহিং নোংয়াই মতম য়ৌরমদাইদা কোলকটা পুলিসকী পর্সনল ২০০ রোম্না মোইদুল ইস্লামগী য়ুম কোর্দন তৌখি অমসুং মঙোন্দা পুলিস ষ্টেসনদা চৎসি হায়খি। এসেমব্লি মীখলদা ইন্দিয়ন সেক্যুলর ফ্রন্টকী কেন্দিদেটসু ওইখিবা ইস্লামনা অহিংদা চৎনিংদে হায়বগা লোয়ননা মহাক অয়ূক্তা ওইনা পুলিস ষ্টেসনদা লাক্কনি হায়না থাজবা পীখি।

ইস্লামনা মখা তানা হায়, মখোয়না ঐহাকপু অহিংদা পুলিস ষ্টেসনদা পুবা পামখি। মখোয়না ঐঙোন্দা নোটিশ অমা থারক্লবসু ফংদবনি। ঐহাক এন্টি সোশল অমা নত্তে। লিগেল প্রোসিজর অমত্তা ইনখিদে। মখোয়না ঐহাকপু ক্রিমিনেল অমগুম্না ট্রিটমেন্ট তৌখি। অদুম ওইনমক, পুলিস কাঙবু অদু পুং অহুম্মুক লৈরগা মফম অদুদগী হনখি অমসুং মহাক্না কোর্টতা ৱাকৎনবা ৱারেপ লৌখি।

সিশু শিক্ষা কেন্দ্র (প্রাইমারি স্কুল) গী কন্ট্রেক্ট ওজা মঙা মখোয়বু ময়ূমদগী লাপ্পা ট্রান্সফর তৌবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা ষ্টেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট বিকাশ ভৱনগী মমাঙদা হু থক্কুনা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনখিবনি। ওঝা নুপীশিং অদু গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ওঝা অনিগী ফিভম লুখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী থৌদোক অদু সিশু সিক্ষ্য কেন্দ্রগী কন্ট্রেক্ট ওঝা খরনা মখোয়বু য়ূমদগী কিলোমিটর ৬০০তগী ৭০০ ফাওবা লাপ্পা মফমশিংদা ট্রান্সফর তৌবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা থোকখিবনি।

# মহৈ-মরোং তরুক্কী এম এস পি হেনগৎহনবগী সেন্টরবু থাগৎখ্রে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

মরু হুনবগী সিজন হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা রবিগী মহৈ-মরোং তরুক্কী মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) হেনগৎহনবগীদমক হরয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহরলাল খাতারনা ইরাই নুমিৎতা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু থাগৎখ্রে।

লৌমীশিংগী বোদিশিংনা মহাক্কী ষ্টেটতা লৈবা কর্নাল সিটিদা প্রোটেষ্ট লেপ্পুনা চথরিঙৈদা চীফ মিনিষ্টরনা সেন্টরগী খোঙথাং থাগৎখিবনি। খতারনা হায়খি, সেন্টরনা লৌরিবা ৱারেপ অসি লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী হেনগৎহনবগী পান্দমগী মায়কৈদা থাংলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি।

চুগী মমল খ্বাইদগী ৱাংনা পীবা ইন্দিয়াগী অহানবা ষ্টেটতি হরয়ানানি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। হরয়ানা গভর্ণমেন্টনা চুগী মমল ক্বিন্টল অমদা লুপা ১২ হেনগৎতুনা হান্না ক্বিন্টলদা লুপা ৩৫২ পীরম্বদগী হেনগৎলে। রেট অসি লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী ৱাংবা রেটনি অমসুং য়ুমথংনরিবা পঞ্জাবতা পীরিবা মমলদগী লুপা ২ হেল্লি।

কর্নালদা চথরিবা খোঙজং অদু হৌখিবা চহীদা সেন্টরনা পাস তৌখিবা ৱাথোক ওইবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংগী অনীশুবা বেচনি। রবিগী মহৈ-মরোং তরুক্কী এম এস পি লুপা ৪০দগী লুপা ৪০০দা হেনগৎলে হায়না খতরনা ফোঙদোকখি।

# জে দি (য়ু)গী এক্স এম এল এ মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী):

জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী এক্স-এম এল এ রাম্বালক সিংহবু আর্মস এক্টকী মখাদা অমসুং সী পি আই (এম)গী লীদর লালন সিংহ হাৎনবা হোৎনখিবগা মরী লৈনবা কেস অমদা মরাল লৈরে হায়না বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট ওফ সমষ্টিপুরনা লাউথোকখ্রে।

কোর্টনা মহাক্কী চৈরাক সেপ্টেম্বর ১৩দা লাউথোক্লগনি। রাম্বালক সিংহ জে দি (য়ু)গী টিকেটতা মীখলদা মায় পাক্তুনা ভিভুতিপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইরম্মী। অদুম ওইনমক, মহাক ২০২০গী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মায়থিবা নংখি।

ভিভুতিপুর পুলিস ষ্টেসনদা মহাক্কী মায়োক্তা মী হাৎনবা হোৎনখিবা আর্মস এক্ট ভাইওলেসনগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি। সী পি আই (এম)গী লুচিংবা লালন সিংহদা এটেক তৌখিবগী থৌদোক্তা রম্বালক অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা চেন্নে হায়না মরাল শীখিবনি।

---

## ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ/ অৱাবা ফোঙদোকপা

ঙসি তাং ১০-৯-২০২১ ইং, ইরাই নুমিৎ অয়ূক্কী পুং ৪.৩০ মুক তাবা মতমদা Khumanthem Bor Singh, Advocate Naoremthong Khumanthem Leikai দা লৈবনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ঙসি নুংথিল পুং ৪.০০ তাবা মতমদা Chamber দা ঐখোয়গী Senior Advocate Khaidem Santa Singh না সভাপতি ওইদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমদুনা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মিনিট ২ (অনী) তূমিন্না লেপ্পুনা পাঙথোকখি। লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

**Sd/-** Chamber Colleague of
Khaidem Santa Singh, Advocate
& Associates, Khoyathong

HL-P/0020/11

---

## ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিল্লন্বী **সোরাইসম ওংবী পাঙম্বম বিজয়া দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ-মপাং অমদি মরী-মতা পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৩/৯/২০২১ ইং, থৱানগী ২৬নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য বিশাখা দাশী হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৮/৯/২০২১ ইং, লাংবনগী নোংমা/নীনি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৬/৯/২০২১ ইং, লাংবনগী ১০নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগীদমক ঙমজবা খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রহদা কচ্ছগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তগী ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা পুম্নমক্না ৱারৌবীদনবা খুরুমজরি।

থৌরম পরেং:-

**অয়ুক পুং ৮:০০ ঃ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবগা লোয়ননা ভেক কৎপা**
**অয়ূক পুং ১১:০০ ঃ শ্রাদ্ধ লোইশিঙ্গগনি।**

**নোল্লুকচরিবশিং ঃ-**
**সোরাইসম রোবিন্দ্রো সিংহ (মপুরোইবা) অমদি ইমুং-মনুংশিং**

**সেগা রোদ, থৌদা ভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল।**

HL-P/6976/9,11

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR

**Ref. Mut. Case No. 364/SDC/IW(P) of 2021**

1. K. Ningol D/o (L) K. Kakhuton Kabui of Sangaiprou
2. K. Paul S/o (L) K. Meisulung of - do -
3. K. Angam S/o (L) - do - of - do -
4. K. Jenbung S/o (L) - do - of - do -

-Petitioners

-Vrs-

Late K. Machamlu Kabui W/o K. Kakherton Kabui of Sangaiprou
-O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

The 10th Sept, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার কে: মচমলু কবুই, পীং মৃ: কে: কখুতোন কবুই সাং সঙাইপ্রৌগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৮৩-লমজাওতোংবাগী অনৌবা পাট্টা নং ২৬৬ দাগ নং ৫১ অমসুং এরিয়ানা ১.৩৮ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী অৱাংদা .৭৫৫ একর এপ্লিকান্ত নং ১গী অমসুং খাদা .৬২৫ একর এপ্লিকান্ত নং ২, ৩, ৪গী একর .৬২৫ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/0022/11

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 121/SDC/Bishnupur**

i) Naorem Loken Singh S/o (L) N. Khomei Singh
ii) Naorem Shamjai Singh S/o Naorem Chaoba Singh
all of Kwashiphai - Petitioners

-Versus-

Late Naorem Khomei Singh S/o (L) Ibohal Singh of Kwashiphai. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Bishnupur, the 8th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৪০-খোইজুমান খুল্লেনদা লৈবা শ্রী. নাওরেম খোমৈ সিংহ পীং মৃ: ইবোহল সিংহগী মিংদা পানবা নংপটা নং: 40/234/423 (New).C.S. Dag নং: 271/476 কী 0.13 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/0010/11

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

**Ref. Mut. Case No. 455/SDC/YPK 10/09/2021**

Parties :-
Ningthoujam Joydev Singh S/o (L) Manikchand Singh
of Kekru Mathak Leikai -Petitioner

-Vs-

(Late) Ningthoujam Manikchand Singh S/o Ibomcha Singh
of Yairipok Kekru -Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Yairipok, 10th Sept, 2021

Under Section 46(3) of MLR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না Yairipok তহশিল খুল নং 115-Kakmayai পাট্টা নং 145 (Old) 166/417 (New) দাগ নং 1249/1390 এরিয়া 0.37330 হেক্টর চাওবা ইংখোল লৌফম অসিগী পাট্টাদার Ningthoujam Manikchand Singh S/o Ibomcha Singh সাং Yairipok Kekru অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা মহাক্কী মচানুপা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Yairipok

HL-P/0013/11

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

**Ref. Mut. Case No. 456/SDC/YPK 10/09/2021**

Parties :- Ningthoujam Joydev Singh S/o (L) Manikchand Singh
of Kekru Mathak Leikai -Petitioner

-Vs-

(Late) Ningthoujam Manikchand Singh S/o Ibomcha Singh
of Yairipok Kekru -Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Yairipok, 10th Sept, 2021

Under Section 46(3) of MLR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না Yairipok তহশিল খুল নং 106-Kekru পাট্টা নং 103 (Old) 185 (New) দাগ নং 95 এরিয়া 0.13000 হেক্টর চাওবা ইংখোল লৌফম অসিগী পাট্টাদার Ningthoujam Manikchand Singh S/o Ibomcha Singh সাং Yairipok Kekru অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Yairipok

HL-P/0013/11

---

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 245/SDC/IW(H) of 2021**

Heishnam Thoiba Meitei S/o (L) H. Iboyaima Meitei of Hiyangthang Maning Leikai.

-Vs-

(Late) Heishnam Iboyaima Singh S/o (L) Manijao Singh of Hiyangthang

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 9/9/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 106-Hiyangthang পাট্টা নং 21 (অরিবা) 1120/1118 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1430/1858 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.05500 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৭/৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/0018/11

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR

**Ref. Mut. Case No. 362/SDC/IW(P) of 2021**

Thokchom (O) Kamini Devi W/o Krishnatombi Singh
of Taobungkhok Makha Leikai -Petitioner

-Vrs-

Late Thongam (O) Inakhunbi Devi W/o Angou Singh
of Taobungkhong Makha -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

The 10th Sept, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার থোংঙাম ওংবী ইনাকখুনবী দেবী পতি মৃ: অঙৌ সিংহ, সাং তাওবুংখোক মখা লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৬৪-লাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৮২ দাগ নং ১৫৪ অমসুং এরিয়ানা .৭৩ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথরজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/0022/11

---

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER,

***Imphal East/West (IX), Manipur***

**Ref :- Mut. Case No. 105/AS & SO/IX - 2021 Date. 10/9/2021**

(1) Yumnam Memcha Devi W/o. Y. Sarat Meitei
of Brahamapur Bamon Leirak.
(2) Y. Nimai Singh S/o. (L) Y. Tondon of -do-
(3) Y. Subhaschandra Singh S/o. -do- of -do-
(4) Y. Shanta Singh S/o. -do- of -do- - Petitioners

-VS-

(Late) Yumnam Tondon Singh S/o. (L) Angou Singh
of Brahamapur Nahabam Bamon Leirak - Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Imphal, 10/9/2021

Under Section 46(3) M.L.R & L.R, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 38-Wangkhei Panchim Brahamapur পাট্টা নং ১৩৬ অরিবা ৯৯০/১২৪৩ অনৌবা, দাগ নং ৬৯০/৮৩৪, এরিয়া ০.০২৮ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Yumnam Tondon Singh S/o. (L) Angou Singh মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৮/৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
Imphal West (IX) Manipur

HL-P/0019/11

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 465/SDC/Kumbi Dated 09/09/2021**

1. Nongmaithem Ibohal Singh S/o N. Momon Singh of Kumbi Thong Mamang Leikai
2. Nongmaithem Mohondas Singh S/o - do - of - do -
3. Nongmaithem Momon Singh S/o (L) N. Thoiba Singh of - do

- Petitioner's

-Vs-

1. Nongmaithem Thoima (N) Thoiba Singh S/o (L) N. Madan Singh of Kumbi Thong Mamang Leikai - O.P. Pattadar's

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Kumbi, the 9th Sept, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওই খূদিংমক্তা খঙহল্লী। মদুদি খুন নং ৬৪-কুম্বীগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৬১৫/১৫৮৩ (অনৌবা), দাগ নং ৫৪৩৩/৫৯১৯ গী অপূনবা এরিয়া ০.০৭৫ একর চাওবা ইংখোল অসিদা পাল্লিবা মীওই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা পাট্টা পানবীয়ু হায়দুনা SDC-Kumbi গী Court তা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা মশা ওইনা লাক্তুনা Objection তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা Objection তৌরদবা তারগদি আইনগী মতুং ইন্না Case মখা চথুদুনা মিং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমতা Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- L. Dasaraj Sharma**
Sub-Deputy Collector, Kumbi

HL-P/015/11

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

**Ref :- Mutation Case No. 129/SDC/H Dt. 10/09/2021**

1. Shapam Ningthou Singh S/o (Late) Sh. Angou Singh of Wabagai Thingel Leikai.
2. Shapam Ibomcha Singh S/o (Late) Sh. Angou Singh of Wabagai Thingel Leikai.
3. Shapam Jiban Singh S/o (Late) Sh. Ningthou Singh of Wabagai Thingel Leikai.
4. Shapam Sanatomba Singh S/o (Late) Sh. Angou Singh of Wabagai Thingel Leikai. -Petitoners

-Vrs-

(Late) Sapam Angouba Singh S/o (Late) Sapam Tomba Singh of Wabagai. -O.P.Party

ꯈꯪꯍꯟꯕꯤ / **NOTICE**

Kakching, the 10th September, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হিয়াংলম তহশিল খুল নং: ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং: ১০৯৫ অরিবা পাট্টা নং: ৪৭৯গী দাগ নং: ২৩৪১গী লম হেক্টর ১.০৪৮১০ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্লগা উক্তা দংকারিশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈননা ওবজেক্সন তৌবীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অইবা চেদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/-** Sub-Deputy Collector,
Hiyanglam

HL-P/7145/11